**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ভাষনগা লোয়ননা সংসদকী বজেৎ মীফম ঙসিদগী হৌখ্রে।

রাষ্ট্রপতিনা হায়রি- ভারতসু স্পেস তুরিজম পায়খৎপা ঙম্বগী শক্তি লৈরে।

২) নেসনেল গার্ল চাইল্ড ডে ২০২৬ কা মরী লৈননা ঙসি ৱাকাথোন অমা ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

৩) নেসনেল রোড সেফতি মন্থসকী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস থৌবালনা শিন্দুনা থৌবালদা রোড সেফতি এৱারনেস কেম্পেন পাঙথোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নহাশিংনা ঙসিদি নেসন ফার্ষ্ট হায়বা ৱাখল্লোন অসিবু হেন্না থৌনা লিংজেল হাপ্লি।

অমসুং

৫) এসিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা সিভিল এভিয়েসন ইভেন্ট ৱিংস ইন্দিয়া-২০২৬ ঙসি কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রামমোহন নাইদুনা হৌদোকখ্রে।

------

সংসদ ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ভাষনগা লোয়ননা সংসদকী বজেৎ মীফম ঙসিদগী হৌখ্রে। রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী অপুনবা মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ভিক্সিত ভারত জি রাম জি এক্টনা খুঙ্গংগী মীয়ামদা

অনৌবা ইনোৎ অমা হাপ্পগা লোয়ননা চহি ১ দা নুমিৎ ১২৫ নি থবক পীবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়- তেরোরিষ্টকী থৌওংশিং চখ্থরকপদা ভারতনা চপ চানা থেংনগনি।

রাষ্ট্রপতিনা হায়- ভারতসু স্পেস তুরিজম পায়খৎপা ঙম্বগী শক্তি লৈরে। ভারতকী এষ্ট্রোনোট সুবাসু সুক্লানা ইন্তরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা চৎখিবা খোঙচৎ অদু ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙচৎ অমগী অহৌবনি। লাক্কদৌরিবা চহি খরা অসিদা লৈবাক অসিগী ওইবা স্পেস ষ্টেসন অমা হাংদোকপগী মাইকৈদা চংশিল্লক্লি। মহাকা হায়- য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা সহি তৌনখিবা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্ট অসিনা ভারতকী মন্যুফেকচরিং অমসুং সার্ভিসেসকী সেক্তরদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি। মসিদসু নত্তনা খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী নহা কয়াদা থবক পীবা ঙম্লগনি।

সংসদকী অপুনবা মীফম অদুদা রাষ্ট্রপতিনা মখা তানা হায়- শিন্মীশিংবু পুকিং থৌগৎপা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি। মসিমকা অনৌবা লেবর লো অসি চৎনবা হৌখিবনি। সরকারনা মীয়ামগী য়াইফনবগাদমক থৌরাং কয়া পায়খৎলি। হৌজিক ফাওবদা মীওই কোতি ৯৫ রোমদা সরকারনা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবা ফংহনখ্রে।

শ্রীমতি মুরমুনা হায়- হৌখিবা চহি ১১ অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী কিলোমিতর লিশিং ৭,২০০ হেন্না শাংবা নেসনেল হাইৱে লম্বীগী শরুকশিং শেমখ্রে। মসিদা চীংগী মনুং হুঞ্জিনবা অমদি ঙমখৈ লমদমশিং য়াওরি।

হয়েং ইকোনোমিক সর্ভে পুথোক্কনি। অদুগা ফেব্রুৱারী অমদনা শেনবা চহি ২০২৬-২৭ গী কেন্দ্রগী বজেট পুথোক্কনি। মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং ৩০ লৈগনি। মীফমগী অহানবা তাঙ্কক ফেব্রুৱারী ১৩ দা লোয়শিনগনি। অনিশুবা তাঙ্ককা মার্চ ৯ দগী হৌরগা এপ্রিল অনি ফাওবা চথ্থগনি।

অমরোমদা, নিউ দিল্লিদা লৈবা রসিয়ান এম্বেসিগী দিপ্যুতি চীফ ওফ মিসন রোমান বাবুস্কিন্না হায়রি- সংসদগী অপুনবা মীফমদা শরুক য়াদুনা রাষ্ট্রপতিগী ৱারোলশিং তাবা ফংজবা অসি লাইবক ফবনি। মহাকা হায়- মীফম অসিনা ভারতনা চাওখৎ লম্বীদা মায় পাকা চংশিল্লকপগী খুদম ওইরি।

ওবিট ঃ      লোক সভানা ঙসি মহারাষ্ট্রগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি অজিৎ পৱার, বঙ্গলাদেশকী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি খালেদা জিয়া অমসুং সভাগী হান্নগী মেম্বর মঙা সালিনি পাতিল, ভানু প্রকাশ মিরধা, সতেন্দ্রনাথ ভ্রোমো চৌধরি, শুরেস কলমাদি অমসুং কবিন্দ্র পুরকায়সথানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। মখোয়শিং অসি হন্দক্তা লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবা অজিৎ পৱার ১০ শুবা লোক সভাগী মেম্বর ওইরম্মী। সভানা লুচিংবশিং অসিবু ইকায় খুমদুনা তুমিন্না লেপখি।

ডে (এল)ঃ  নেসনেল গার্ল চাইল্ড ডে ২০২৬ কা মরী লৈননা ঙসি ৱাকাথোন অমা ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। ৱাকাথোন অসি ষ্টেট পি.সি-পি.এন.দি.টি সেল, দিরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেস অমসুং নেসনেল হেলথ মিসনন্না পুন্না শিনবনি। হন্দক চহিগী স্লোগান- মচানুপী পুমমকপু শক্তি পীবা অমসুং হেন্না মপাঙ্গল কনবা ভারত অমা শেমগৎগা হায়বসিগী মখাদা চৎথরকপা এৱারনেস কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- নুপীমচাশিংগী হকপু খঙহন্নবা মীয়ামদা পাউজেল শন্দোকপা, নুপা নুপীগী খেনবা থন্বগী চৎনবী লোইশিনহনবা, নুপীমচাশিংবু মহৈ মশিং অমসুং স্কিলগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিনহনবা, নুপীমচাশিংগী হকশেল ফগৎহনবা, লম খুদিংমক্তা নুপীমচাশিংবু খুদোংচাবা পীবীদুনা অশোই অঙাম থোকহন্দবা অমসুং ঙাক শেনবীবা হায়বসিনি।

রোড (এল)ঃ  থা অসিগী ১ দগী হৌরগা ৩১ ফাওবা চৎথগদবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থসকী শরুক অমা ওইনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস থৌবালনা শিন্দুনা থৌবালদা রোড সেফতি এৱারনেস কেম্পেন অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী মীয়াম তিনবা মফমশিং- লিলোং, থৌবাল, য়াইরিপোক অমসুং ৱাংজিং কৈথেলদা পাব্লিসিতি কেম্পেন পাঙথোকখি। কেম্পেন অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসার- আই. হেমোচন্দ্রনা হায়- লৈবাক অসিগী ওইনা চৎথরক্লিবা নেসনেল রোড সেফতি

মন্থকী কেম্পেন জিলা অসিদসু দিপ্যুতি কম্মিসনার থৌবালনা শিন্দুনা থা অসিগী ১ দগী তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। মীয়াম তিনবা মফমদা লাউদ স্পিকর শিজিন্নদুনা এৱারনেস পীবা লোয়ননা লম্বীদা লাকপা গাড়িশিং খামদুনা পমপ্লেটনচিংবা য়েন্থোকপা অমদি হেলমেট উপতনা গাড়ি মচা থৌবশিংদা চলান ককপনচিংবা পাঙথোক্লি । দিষ্ট্রিক্ট রোড সেফতি কমিতিনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মরুওইনা মীয়ামগী পুন্সি কনবা চাউখৎপা খুনাই অমা ওইনবগী পান্দমদনি। মসিদা মীয়ামসু মতেং পাংবীনবা মহাকা আপীল তৌখি।

গান্ধি (এল)ঃ মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবা নুমিৎ মার্তিয়র্স ডে থা অসিগী ৩০, ইরাই নুমিৎতা ইম্ফাল গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোক্কনি। অয়ুক্কী পুং ১০ দগী হৌগদবা থৌরম অসিদা ভজন শক্কনি। অয়ুক পুং ১০ মিনিত ৫৯ দগী পুং ১১ ফাওবা অহৌবগী সাইরেন খোংগনি অমদি মিনিত অনি তুমিন্না লৈদুনা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎক্কনি। লোইশিনবগী সাইরেন্না অয়ুক পুং ১১ মিনিত ২ দগী ১১ মিনিত ৩ ফাওবা খোংগনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়ল অমদি সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

লমফেলপাৎ য়াওনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা সরকারগী ওফিসশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা রাজ্য সরকারগী কম্মিসনার হোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

জি.এম হোলগী অকোইবদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি হায়রি।

এনসিসি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নহাশিংনা ঙসিদি নেসন ফার্ষ্ট হায়বা ৱাখল্লোন অসিবু হেন্না থৌনা লিংজেল হাপ্লি।

নিউ দিল্লিগী কারিয়াপ্পা পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা চহিগী ওইবা এন.সি.সি-পি.এম রেল্লিদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- এন.সি.সিনা ভারতকী নহাশিংবু মশানা মশাবু থাজবা, থকশি খাশি অমসুং জাতি অসিগী

মতিক চাবা নাগরিক অমা ওইহল্লি। মহাকা হায়- ঙসিদি মালেমগী লৈবাকশিংনা ভারতকী নহাশিংবু মখোয়গী হৈ শিংবা অমসুং নাৎ চৎনবী খঙবা অসিদা অচৌবা মীৎয়েং থল্লক্লি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাক শিনবা থুংবগী কেদেটশিং অমসুং ওফিসারশিংদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- এন.সি.সি মশিং লাখ ২০ হেল্লে। মসিগীসু মথক্তা চহি অসিগী ওইনা নুপীমচা কেদেট মশিং য়ামা শরুক য়াবদসু মহাকা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

রাষ্ট্র প্রথম-কর্তাব্যা নিস্থা য়ুবা হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা এন.সি.সি-পি.এম রেল্লি অসিগা লোয়ননা থা অমা চুপা চথুরকপা এন.সি.সি রিপাব্লিক ডে কেম্প ২০২৬ ঙসি লোইশিনখ্রে। কেম্প অসিদা নুপীমচা ৮৯৮ য়াওনা পুন্না কেদেট লিশিং ২,৪০৬ শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা মপান লৈবাক ২১ দগী লাকপা নহা ২০৭ শু রেল্লি অসিদা শরুক য়াখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কেরলাগী আরয়া বাইদ্যা সলা চেরিতেবল হোস্পিতালগী চহি ১০০ শুবা থৌরমদা ওনলাইনদা শরুক য়াখ্রে। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা ভারতকী হকশেলগী লমদা আয়ুরবেদনা লৌরিবা থৌদাং শিংথাখি। মহাকা হায়- ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন অনিগী মরক্তা সহি তৌনখিবা ত্রেদ এগ্রিমেন্ট অসিনা ভারতকী হিদাক লাংথক পুথোকপগী থবক থৌরমদা হেন্না খুমাং চাওশিল্লগনি।

কোকোমি (এল)ঃ থা অসিগী ৩১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর কনবা খোঙচৎকা মরী লৈননা ঙসি কোকোমিগী ওফিসতা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা কোকোমিগী কনভেনর ৱাই.কে. থিরেন্না খোঙচৎ অসি পাঙথোক্কদৌরিবা লম্বীগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল থমখি। অয়ুক পুং ১০ দগী তিদিম গ্রাউন্দদগী হৌগদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীনবসু মহাকা আপীল তৌখি।

কাউন্সিল (এল)ঃ  কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা চহি অসিগী ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষাগী একজাম সেন্তরশিং লাউথোক্লে। কোসেমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- কেন্দিদেটশিংগী রোল নম্বরশিং য়াওবা একজাম সেন্তরশিং কাউন্সিলগী ৱেব সাইট দব্লিউ দব্লিউ দব্লিউ দোট কোসেম দোট এন.আই.সি দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

মোয়োন (এল)ঃ   মোয়োন নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসনগী ৬৯ লক শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি চান্দেল জিলাগী কাপাম ভিলেজদা লৈবা বি.এ.পি এসেমব্লি হোলদা পাঙথোকখ্রে। রুটেত ইন সার্ভিস, গাইদেদ বাই ভিজন হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা পালন থৌরম অদুদা লুপ অসিগী হান্না থৌ পুরম্বা মীওইশিং অমদি লুপ অসিগী মখাদা এফিলিয়েট তৌবা কমিতি অমসুং ক্লবশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। লুপ অসিগী লৈখিদ্রবা লুচিংবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা নাৎ ওইবা জগোই ঈশৈ অমদি তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

ৱাকৎ (এল)ঃ   ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা চানা মমাং লৈকাইদা লৈবা য়ুম অমদা হেন্দ গ্রেনেদ থমজিল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চানা মমাং লৈকাই লম্পাক্তা ঙসি ৱাকৎ মীফম চখ্‌খ্রে। চানা মৈরা পায়বী অমসুং ক্লবনা শিন্দুনা ঙসি চখ্‌খিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না তৌদনবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

এসিয়া ঃ এসিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা সিভিল এভিয়েসন ইভেন্ট ৱিংস ইন্দিয়া-২০২৬ ঙসি কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রামমোহন নাইদু কিনজিরাপুনা হৌদোকখে।

হায়দ্রবাদকী বেগুমপেদ ইয়ারপোর্ট পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী নাইদুনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী ওইবা পোৎলমশিং পুথোকবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। মহাকা হায়- কেন্দ্র সরকারগী থৌরাং কয়ানা

লৈবাক অসিগী মীচম মীয়াম্বু ফ্লাইটতা চৎথোক চৎশিন তৌবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। এভিএসনগী ইকো সিষ্টেম হেন্না ফগৎহন্দুনা লৈবাক অসিগী ওইবা ফ্লাইট শানবা অচৌবা সিভিল এভিএসন কম্পনিশিংগা খুৎশমনা চৎমিন্নরি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অসিদা অহেনবা এয়ারপোর্ট ৩৫০ শানবা পান্দম থল্লি।

নুমিৎ মরিনি চুপা চখুগদবা থৌরম অসিদা ভারতকী এভিয়েসননা খুমাং চাউশিল্লকপা অমসুং তুংদা মালেমগী ওইনা শিজিন্নরকপা য়াবা ফ্লাইট কয়া মীয়ামদা উৎকনি। থৌরম অসিদা অন্টরজাতিগী থাক্কী ওইবা ইগজিবিসন পাঙথোকপগা লোয়ননা এরোবেটিক ফ্লায়িং সো উৎপগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী ওইবা মীফমশিং পাঙথোক্কুনা এভিয়েসনগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

হেলথ ঃ নিউ ড্রগস এন্দ ক্লিনিকেল ট্রাইয়েলস (এন.দি.সি.টি) রুলসতা অহোংবা থমবা কেন্দ্র সরকারনা খঙহনখ্রে। মসিনা লল্লোন ঈতিক্তা লাইথোকহনবতা নত্তনা চৎন পথাপশিংগী অয়েৎ অপন লৈহন্দবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

হকশেল অমদি য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রালয়না হায়- এন.দি.সি.টি রুলসতা অহোংবা লাকপা অসিনা ফার্মাসিউতিকেল দিভলপমেন্ট অমসুং ক্লিনিকেল রিছার্সতা খুমাং চাওশিনবতা নত্তনা অয়াবা লৌবগী মতমসু হন্থহনবা ঙল্লগনি। মন্ত্রালয়না হায়- অহোংবা অসিনা অনৌবা ফার্মাসিউতিকেল রিছার্স কয়ানা খুমাং চাওশিনবা অমদি হিদাক লাংথক পুথোকপগী থৌওংশিংদা মতম চংলরোই।

লেদর ঃ ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন অনিগী মরক্তা সহি তৌনখিবা ফ্রি ট্রেদ এগ্রিমেন্ট অসিনা শাউনগী পোত্থোকশিং মপানদা থাদোকপদা হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙল্লগনি হায়না লৈবাক অসিগী লেদর সেক্তর স্কিল কাউন্সিলগী চেয়ারমেন শঞ্জয় লিখানা ফোংদোকখ্রে।

মহাকা হায়- লাক্কদৌরিবা চহি অনিরোম অসিদা ভারত্তগী শাউনগী পোত্থোকশিং মপানদা থাদোকপদা শরুক অনি হেনগৎলবা য়াইরি। লৈবাক অনিনা সহি তৌনখিবা য়ান্না চেরোল অসিনা লৈবাক অসিগী নহা কয়া থবক

পীবদসু মতেং ওইরগনি। লোয়ননা লাক্কদবা চহি খরা অসিদা মিল্লিয়ন দোল্লর ৩০ রোমগী শাউনগী পোখোক থাদোকবা থল্লিবা পান্দম অদুসু ফংবা ঙম্লগনি।

সাইক্লোথোন ঃ  বন্দে মাতরম কোষ্টেল সাইক্লোথোন ২০২৬ ঙসি কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি নিত্যাইনন্দ রাইনা নিউ দিল্লিদগী লমথাখ্রে।

সেন্ত্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিতি ফোর্সনা শিন্দুনা বন্দে মাতরমনা চহি ১৫০ শুবগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। চহি অসিগী ওইবা হিরমনা- শুরক্ষিৎ তৎ সম্রিদ ভারত হায়বসিনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাইনা হায়- সাইক্লোথোন অসিনা কোষ্টেল সেক্যুরিতি মপাঙ্গ কনখৎহনবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। মসিদসু নত্তনা সমুদ্র খোঙবানদা লৈরিবা মীয়াম অমদি নহাশিংবু মশা মউ ফনা থম্বদসু চাউনা মতেং ওইরগনি। সাইক্লোথোন অসি ফেব্রুৱারি ২২ ফাওবা চত্থগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো ঃ  ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরিবা ৭ শুবা ইন্তরনেসনেল ৱিমেন্স পোলো তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়া-টিম-বি (মণিপুর)না ইন্দিয়া টিম-(এ) আই.পি.এবু পাঞ্জল ১১-৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ  য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ৬৯ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস অন্দর নাইন্তিন গার্লস ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ঝারখন্দনা মণিপুরবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ  ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদ চত্থরিবা অন্দর নাইন্তিন ৱিমেন্স ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা দ য়ং ৱেলফ্যার কবনা

ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে।   অতোপ্পা মেটচ অমদা এফ.সি. ইম্ফালনা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ  হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনদুনা চথরিবা তরুকশুবা চন্দ্রনদি ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা- পুজা এফ.সি হৈরোকনা হাওরৈবী অপুনবা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

ফুটবোল ঃ  তরুকশুবা ভিলেজ লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ই.পি.ৱাই.সি এলাং খাংপোকপীনা এস.এফ.সি শুগনুবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা হৈবোং মখোঙ জি.এফ.সি সেক্তানা দি.ৱাই.এ- এলাংখাংপোকপীবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখি।

ফূটবোলঃ  মঙাশুবা নোঙ্গ্রেন ট্রোফি মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল.এস.আই.সি লম্লাইনা ঙারিয়ান এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা- সি.ঐচ.ৱাই.য়ু.সিনা নোংঙাদা এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

------